# জমশেদপুর এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা থাক্তা লৈখ্রে

**19 Dec, Saturday (33rd Match)**
FC Goa
vs
Chennaiyin FC
Time : 7:30 PM



জমশেদপুর এফ সীগী মণিপুর মচা জেকিচান্দনা এন ঈ য়ু এফ সীগী শান্নরোয়দগী বোল মুনখিবা

ভাস্কোদাগামা, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসনদা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৬তা মেটচ অমত্তা মায়থীদনা লাকখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী ঙসি ভাস্কো দা গামা সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা জমশেদপুর এফ সীগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে। জমশেদপুর এফ সী ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী মমাংগী মেটচ ৬ শান্নখিবদা ২ মায় পাক্লগা মেটচ ৪ দ্রো চৎতুনা পূন্না পোইন্ট ১০ ফংলগা লৈরম্বনি। অমরোমদা, জমশেদপুর এফ সী মমাংগী মেটচ ৬ শান্নবদা মেটচ ১ মায় পাক্লগা মেটচ ৪ দ্রো চৎলবা মতুং ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মায় পাত্তুনা মপূং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংনবগী পান্দমদা হৌবদগী লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদা অহানবগী শান্নরোয় ১১ ফিল্ডদা চঙলকপদা মণিপুর মচা জেকিচান্দ য়াওখি। অমরোমদা, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী ওইনা নিঙ্থোইঙানবা মীতৈ শরুক য়াখি।

মেটচকী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্ননবা পুশিন্নখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমদনা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈতনা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফশান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অদু জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদা চথরকপা এটেক অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী দিফেন্দরশিংনা বোল অদু ওফসাইদ তারম্লগনি হায়না কোমথোক্লুবগী অশোয়বা অদুনা জেকিচান্দনা খায়দোরকখিবা বোল অদু টিমমেট অনিকেট যাদবনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু জমশেদপুর এফ সীনা চনখি।

শান্নবগী লেমহৌরিবা মিনট খরা অদুদা জমশেদপুরনা বোল হেন্না পায়বগী খূদোংচাবা কয়া ফংখি। জেকিচান্দনা ৭৯শুবা মিনটতা পীখিবা ফজবা পাস অমা টিম অদুগী শান্নরোয়না মতাং চানা কলেক্ট তৌবা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমসু মাঙজখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 6 | 4 | 1 | 1 | 9 | 3 | 6 | 13 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 6 | 4 | 1 | 1 | 7 | 3 | 4 | 13 |
| 3 | Bengaluru FC | 6 | 3 | 3 | 0 | 11 | 7 | 4 | 12 |
| 4 | Northeast United FC | 7 | 2 | 4 | 1 | 8 | 6 | 2 | 10 |
| 5 | Jamshedpur | 7 | 2 | 4 | 1 | 8 | 7 | 1 | 10 |
| 6 | Hyderabad FC | 5 | 2 | 3 | 0 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 7 | FC Goa | 6 | 2 | 2 | 2 | 7 | 6 | 1 | 8 |
| 8 | Chennaiyin FC | 5 | 1 | 2 | 2 | 3 | 4 | -1 | 5 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 5 | 0 | 2 | 3 | 5 | 10 | -5 | 2 |
| 10 | Odisha FC | 6 | 0 | 1 | 5 | 3 | 9 | -6 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 5 | 0 | 1 | 4 | 2 | 10 | -8 | 1 |

# লিৱান্দোস্কিনা ফিফাগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা ফংখ্রে



কুমজা ২০২০গী ফিফা বেষ্ট মেন্স প্লেয়রগী মনা ফংখ্রবা রোবর্ট লিৱান্দোস্কি

জেনেভা, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফানা চহী খূদিংগী পীবা খ্বাইদগী ফজবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিং লোয়নননা কোচকী মনা অদু লাউথোরকপদা নুপাগী ওইনা হৌজিক-হৌজিক জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকতা শরুক য়ারিবা পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা ফংখ্রে। নুপীগীদনা ইংলেন্দ মচা লুসি ব্রোঞ্জনা ফংখ্রে।

লিৱান্দোস্কিনা ফিফা প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা অসি মমাংদা পোর্টুগলগী শান্নরোয় কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমদি অর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিনা ইন্নদুনা ফংদুনা লাকখিবা মনা অদু চহী অসিগী ওইনা মুনখিবনি। রোবর্ট লিৱান্দোস্কিগী ফজবা মশান্ননা কুমজা ২০১৯-২০গী সিজনদা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী শান্নদুনা ক্লব অদুগী ওইবা ইন্টরনেসনল অমসুং দোমেষ্টিক ফুটবোল টুর্নামেন্টতা পূন্না পাঞ্জল ৫৫ চন্দুনা ক্লব অদুবু কুমজা ২০১৯দা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল ফংহনবদা চাওনা মতেং পাংখি।

নুপীগী লুসি ব্রোঞ্জনা ফংখিবা মনা অদু অতোপ্পা লম্বা ফ্রান্সকী লিওন ক্লবকী ৱেন্দি অমদি পর্নিলদগী হেল্লগা মনা অদু ফংখি।

# স্কোলরশিপ প্রোগ্রামদা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিংনা লমজিংগদৌরি

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): কুমজা ২০২১-২২দা পাঙথোক্কদবা নেসনল স্কোলরশিপ প্রোগ্রামগী মনুং চন্না 'দি স্পোর্টস স্কুল (টি এস এস)' না তোঙান-তোঙানবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু লমজিং-লমতাকপগী মতাংদা মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরি।

ঙসি হৌদোকখিবা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা স্পোর্টস অমসুং একাদেমিককী ওইনা অপূনবা খোঙজং অদুদা ক্রিকেট, ফুটবোল, টেন্নিস অমসুং বাস্কেটবোল মশান্না মরি অসিদা স্কুল অসিনা ২০২১-২২দা নেসনল স্কোলরশিপ প্রোগ্রামগী মনুং চন্না মতীক চাবা মহৈরোয় ৬০দা খূদোংচাবা পীগদৌরি।

ৱাফম অসি ঙসি ভর্চ্যুএল প্রেস কনফরেন্স অমদা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং অদু য়াওনা দি স্পোর্টস স্কুলগী পার্টনরগা লোয়নননা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনা ফংগদৌরিবা খূদোংচাবশিং অদুগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি। টেন্নিসকী লমদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা রোহন বোপানা, ক্রিকেটকী মতাংদা রোবিন উথাপা য়াওখি। বেঙ্গলুরু এফ সীগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর মন্দর তমহানেসু য়াওখি। লোয়নননা স্পোর্টস স্কুল অসিগী বাস্কেটবোল একাদেমিগী হেদ কোচ জোন মহেশ রাও অমদি স্কুল অসিগী দিরেক্টর ডা. সঙ্করসু লৈবাক শিনবা থুংনা খূদোংচাবা পীগদৌরিবা দি স্পোর্টস স্কুলগী স্কোলরশিপ প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

স্কোলরশিপ প্রোগ্রাম অসি মরুওইনা চহী ১২ মখা, চহী ১৪ মখা অমসুং চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিংদা মখোয়না লৈরিবা মশান্নগী হৈথোই-শিংথোইবা অদু য়েংলগা ইন্দিয়াগী ওইনা পূন্না শান্নরোয় ৬০দা স্কোলরশিপ অসি পীগদৌরিবনি।

স্কোলরশিপ অসিগী ওইনা ট্রায়ল পাঙথোক্কনি। মদুদা শান্নরোয়শিং অসিগী এটিট্যুট, এপটিট্যুট, কম্মিটমেন্ট, স্পোর্টস এচিভমেন্টশিং অমদি ট্রায়লদা মখোয়না উৎপা পর্ফোর্মেন্সশিং অদুগা পূনশিল্লগা স্কোলরশিপ অসি ফংবা য়াবগী খূদোংচাবা অদু পীগদৌরিবনি। বেঙ্গলুরু সিটি য়াওনা অতোপ্পা সিটি কয়াদা মশান্নশিং অসিগী মতীক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈরি।

# ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু কুমজা ২০২১গী হৌরকপদা শান্নবা য়াওরগনি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নম্বর ৱান ওইরিবী পি ভি সিন্ধু মমাংদা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অথিংবা লৈরিঙৈদা শান্নরুদ্রবা মতুং মালেমগী মফম খরদা টুর্নামেন্ট খরা পাঙথোরকপদসু শান্নবা য়াওখিদ্রবা মতুং মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াদুনা মহাক্কী হান্নগী ফীভম অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনগদৌরি।

পি ভি সিন্ধু জন্যুৱারী থাদা পূন্না টুর্নামেন্ট অহুম শরুক য়াবগী খূদোংচাবা লৈরি। ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা শেমখিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টি ও পি এস)কী মনুংদা লৈরিবা শান্নরোয় অসিনা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১২দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগনি। মদুগী মখা তারকপদা জন্যুৱারী ১৯দগীনা ২৪ ফাওবা টোয়োটা থাইলেন্দ ওপন টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুরবা মতুং করিগুম্বা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড টুরগী পোইন্ট য়েংনবদা মকোক থোংবা ঙম্লবদি বেঙ্কোকতা জন্যুৱারী ২৭তগীনা ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতসু শরুক য়াবগী খূদোংচাবা লৈগনি।

চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর থাদা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী সিন্ধুনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ফিজিকেল ষ্ট্রেংথ অদু মপূং ফানা লৈরবনিনা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা শেম শাবা ওইনা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াগনি হায়খি।

# এএফসী এসিয়ন কপ য়ূম্বু ওইবা ঙম্লবদি ভাবোকশিংগী খূদোল ওইগনি : ছেত্রি

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না কুমজা ২০২৭তা এসিয়াগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ য়ূম্বু ওইননবগীদমক্তা বিদ তৌখিবগা লোয়নননা করিগুম্বা মায় পাকপা তারবদি ইন্দিয়াদা লৈরিবা ফুটবোল পামজবা ভাবোকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা খূদোল ওইরগনি হায়না ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা অমদি বেঙ্গলুরু এফ সীগীসু কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১১ অমসুং ২০১৯দা এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অনীদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা ঙমখ্রবা সুনিল ছেত্রিনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২৭তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইননবা হোৎনরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি মায় পাকপা ঙম্লবদি শান্নরোয় অমনা য়ূম্বু টিম ওইরগা শান্নবা মতমদা লৈবাক অসিগী ফুটবোল পামজবা ভাবোকশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী চাওবা খূদোল ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৭তা চহী ১৭ মখাগী ফিফা মেন্স ৱর্ল্ড কপ মপূং ফানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপদা কুমজা ২০২২দা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইগদৌরিবনি। খূদোংচাবশিং অসি লৈরিবা মরম্না কুমজা ২০২৭কী এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিসু এ আই এফ এফকী মায়কৈদগী অমদি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী থৱায় য়াওবা খোঙথাংশিং অদুনা শুংশোয় শোয়দনা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইবা ঙমগনি হায়না সুনিল ছেত্রিনা থাজবা ফোঙদোরক্লি। টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোকপনা ইন্দিয়াদা হৌজিক লৈরিবা ফুটবোলগী ঈহৌ অসি অহেনবা থাক্তা পুখৎপা ঙমগনি।

# অহানবা টেষ্ট মেটচকী নীনি শুবা নুমীৎতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৬২ হেন্দুনা মাঙজিল থারগা চৎলি

এদলেদ, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা ঙরাংদগী হৌখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি নীনি শুবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা য়ূম্বু লৈবাক অদুদগী রন ৬২ মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৪৪ লৌখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা রন ৭৪ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটসমেন ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিংগী মনুংদা রন ৪৩ লৌখিবা অহুমশুবা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা অদুগা মঙাশুবা বেটসমেন ওইখিবা অজিনকিয়া রাহনেনা রন ৪২ লৌরম্বা অদুনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেনশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা স্কোর তৌরম্বশিংগী মনুংদা ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱালনা রন ১৭ লৌরম্বা, তরুকশুবা বেটসমেন হনুমান বিহারিনা রন ১৬ অদুগা ৮শুবা বেটসমেন রবিচন্দ্রন অশ্বিননা রন ১৫ লৌরম্বা অদুনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১৯১ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৭শুবা বেটসমেন পেননা আউট ওইদনা রন ৭৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইখিবা লাবুসাংঙেনা রন ৪৭ লৌরম্বা অদুনা অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোলর রবিচন্দ্র অশ্বিননা ৱিকেট ৪ অদুগা উমেশ অমদি বুমরানা ৱিকেট ৩ অমদি ২ লৌখি। ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংস হৌরকপা ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ১ তুরগা রন ৯ লৌরি।




# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা সিফিল্ড য়ুনাইটেদ পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা সিফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মমাংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পূন্না মেটচ ১১ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ২০ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, সিফিল্ড য়ুনাইটেদ লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী অশোনবা টিম অমা ওইরগা মেটচ ১২ শান্নবদা মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা মেটচ ১১ মায়থীরগা শুপ্নগী মেটচ অমখক দ্রো চৎলবা মতুং পোইন্ট ১ ফংলগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা সিফিল্ড য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফজনা শান্নবা ঙম্বগী কান্নবা অদু শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ফংখি। ওলিভর বর্কনা পীরকপা বোলদা দেবিদ মেগগোল্ডরিকনা পাঞ্জল অদু চনখিবনি। অদুবু লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী এদিসনশিংদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মার্কস রাসফোর্দনা ইক্বেলাইজর অদু ২৬শুবা মিনটতা চন্দুনা লেংমান্ননা লৈখি।

য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মেটচকী ৩৩শুবা মিনটতা এন্থোনি মার্সিএলনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা সিফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টরগী মায়কৈদগী মার্কস রাসফোর্দনা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু সিফিল্ডগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দেবিদনা ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

# রোমানা টোরিনোবু ৩-১দা থোইরগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

রোম, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইটালিদা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ঙসি অঙনবা শান্নখিবা ১২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রোমানা টোরিনোবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

রোমানা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ ওলিম্পিকো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টোরিনোবু মখোয়না পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা রোমাগী হেনরিখ খিটারিননা চনবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপা মতমদা টোরিনোগী মায়কৈদগী অহেনবা প্রেসর কয়া লৈরক্তুনা রোমাগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লাকখি। শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা রোমাগী এটেক অমদা পেনাল্টি ফংবদগী টিম অদুগী মায়কৈদগী জের্দন ভেরেটোনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা হাফ লোইশিল্লকপদা মখোয়না টোরিনোবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা টোরিনোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্ননবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মখোয়গী এটেকশিং অদু কান্নবা ফংদনা লৈরিঙৈ রোমাগী এটেক অমদা বোর্জা মায়োরলনা পীরকপা বোলদা লোরেঞ্জো পেলেগ্রিনিনা পাঞ্জল চন্দুনা ৬৮শুবা মিনটতা মখোয়না টোরিনোবু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

টোরিনোগী মায়কৈদগী এন্দ্রি বেলোটিনা ৭৩শুবা মিনটতা শোৎখিবা পাঞ্জল ৩গী মনুংদা ১ হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমদবদগী ১-৩দা মখোয় রোমাগী মখূৎতা মায়থীখি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com